**Series BRH**

**Code No. 16**

Candidates must write the Code on the title page of the answer-book.

Roll No. | | | | | | | |

- Please check that this question paper contains **15** printed pages.
- Code number given on the right hand side of the question paper should be written on the title page of the answer-book by the candidate.
- Please check that this question paper contains **19** questions.
- **Please write down the Serial Number of the question before attempting it.**
- 15 minutes time has been allotted to read this question paper. The question paper will be distributed at 10.15 a.m. From 10.15 a.m. to 10.30 a.m., the students will read the question paper only and will not write any answer on the answer-book during this period.

# SUMMATIVE ASSESSMENT – II

# মণিপুরী

# MANIPURI

*মতম : পুং 3* — *সর্বমোট অঙ্ক : 80*

*Time allowed : 3 hours* — *Maximum Marks : 80*

## কাঙলুপ – ক

## (পাবা)

(য়েংগদবা : ৱাহেং 1 দগী 4 ফাওবদি কমপ্রিহেনসনগীনি । চাংয়েংগীদমক পীরিবা ৱারেং মতেক অসিগী মখাদা ক, খ, গ, ঘ, ঙ হায়দুনা পাউখুমগা কোন্ননা ওইথোকপা য়াবা ৱাহংশিং পীরি । মখোয়গী মনুংদা অমমম্ খল্লগা অচুম্বদু ইরমগদবনি ।

**1.** সাহিত্যদি সমাজগী মিংশেলনি । মিংশেলদা মনাক্তা লৈরিবা পোৎকী মমি তাবগুম জাতি অমগী সাহিত্যদা জাতি অদুগী মশক-মওং উবা ফংই, অদুনা ঐখোয়না জাতি অমা মশক খঙগে হায়রবদি জাতি অদুগী সাহিত্য মমুৎতানা নৈনবা তাই । হায়নবা লৈ মদুদি-ইতিহাসতা য়াওরিবা ৱারী মচাকশিং অসি শোক-তারিখ নওনা অতৈদি মতম মতমগী ওইবা শেমজিন শাজিনবা ৱাফম কয়া য়াওরি । অদুবু সাহিত্যদদি মসিগী ওন্ন-তৈনবদা শোক-তারিখ নওনা মসিগী ৱারোল পূন্নমক অচুম্বা ঙাক্তনি । মরম অসিমক্না সাহিত্য হায়বসি মীওইবা সমাজগা তৎন-থানবা য়াদ্রিবনি ।

(ক) সাহিত্য হায়বসি সমাজগী : *1*

(i) শক্তমনি ।

(ii) ফোটোনি ।

(iii) মিংশেলনি ।

(খ) ইতিহাসকী ৱারী মচাকশিং অসিদি : *1*

(i) মসিগী ৱারোল পূন্নমক অচুম্বা ঙাক্তনি ।

(ii) শেমজিন শাজিনবা ৱাফম কয়া য়াওই ।

(iii) মীওইবগী অশেংবা পুন্সি ৱারীনি ।

(গ) সাহিত্যদা য়াওরিবা ৱারোল পূন্নমক : *1*

(i) শোক-তারিখ নওনা অচুম্বা ঙাক্তনি ।

(ii) শেমজিন-শাজিনবা ঙাক্তনি ।

(iii) ৱাখলগী ওইদবা পরেংনি ।

(ঘ) 'শেমজিন-শাজিনবা' হায়বসিগা অর্থ মান্নবদি : *1*

(i) 'মালহনবা' হায়বসিনি ।

(ii) 'খেন্নহনবা' হায়বসিনি ।

(iii) 'ওইদবা' হায়বসিনি ।

(ঙ) 'তৎন-থানবা' হায়বা ৱাহৈসিগা মান্নবা অর্থদি : *1*

(i) ফোইদৎনবনি ।

(ii) চাইথোক্লবনি ।

(iii) থদৎনবনি ।

**2.** নুংঙাইবা পাম্বগী লম্বেল অমসুং জ্ঞান থিবসি জীব খূদিংমক্কী হৌনশানি । মীওইবগী পুন্সিদা হায়রিবসি থোইদোক হেন্দোক্লা মরু ওই । নুংঙাইবা মখল অনীনি । মপানগী হায়বদি মতম খরগী ওইনা নংঙাইবা – মসি মরু ওইনা ইন্দ্রিশিংগী অপাম্বশিং অদু থুংহন্নবা হোৎনববুনি । মনুংগী হায়বদি আত্মাগী জ্ঞান ফংদুনা মতম পূন্নমক্তা নুংঙাইবা । মসি ভক্ত, মুনি-ঋষিশিংনা তওনা ভক্তিগী সাধনা অমসুং তপস্যা তৌরগা ফংবা নুংঙাইবা অদুবুনি ।

(ক) জীবনা নুংঙাইবগী লম্বেল অমসুং জ্ঞান থিরিবসি : *1*

(i) নুংঙাইনিংবা অমদি খঙনিংবদগীনি ।

(ii) পোকপগী মহয় ফংনবনি ।

(iii) অৱাবা অমদি অনাবা পামদবদগীনি ।

(খ) নুংঙাইবগী মখলশিং অসি : 1

(i) অনীনি ।

(ii) অহুমনি ।

(iii) মরিনি ।

(গ) ভক্তিগী সাধনা অমসুং তপস্যা তৌরগা : 1

(i) মপানগী নুংঙাইবা ফংই ।

(ii) মনুংগী নুংঙাইবা ফংই ।

(iii) মনুং-মপানগী নুংঙাইবা ফংই ।

(ঘ) 'মতম খরগী ওইবা' হায়বসিনা ফোংদোক্লিবসি : 1

(i) শাংদবা হায়বসিনি ।

(ii) নোংমতংগী ওইবা হায়বনি ।

(iii) অতেনবা হায়বসিনি ।

(ঙ) 'আত্মা' হায়বা ৱাহৈনা ফোংদোক্লিবসি : 1

(i) মিরেন হায়বসিনি ।

(ii) থৱায় হায়বসিনি ।

(iii) থম্মোয় হায়বসিনি ।

**3.** অহিংসাগী অশেংবা মুর্ত্তি অমা ওইবিরম্বা মহাত্মা গান্ধীজীগী লীচিং মখাদা ভারত মচা কোটি-কোটিনা নীংহন্নবা লৈতনা লাম্থেংনরবা মতুংদা 1947 কী আগষ্ট 15 দা ভারত মনীংতম্বা লৈবাক অমা ওইরকখি । মীনাই য়োঙ্গিং থদৎতুনা লৈবাক্কী নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদা মশীং লাকঙমদ্রবা দেশবাসীশিংনা মথ্বায়না বলিদান কৎনখ্রবনি । অসুম্না ৱানা তাল্লকখ্রবা নীংতম্বা অদুবু ঙাক্লবগীদমক ঐখোয় খূদিংমক্না য়াম্না চেকশিনবা তাই ।

(ক) অহিংসাগী অশেংবা মুর্ত্তিদি : *1*

(i) সুবাস চন্দ্রবসুনি ।

(ii) জৱাহরলাল নেহরুনি ।

(iii) মহাত্মা গান্ধীনি ।

(খ) ভারত মচাশিংনা মথ্বায়গী বলিদান কৎনখিবসি : *1*

(i) সমাজ সেবাগীদমক্তনি ।

(ii) বৃটিশপু হাৎননবা হোৎনবদনি ।

(iii) লৈবাক্কী নীংতম্বা ফংনবা হোৎনবদনি ।

(গ) ভারতমচা খূদিংমক্না য়াম্না চেকশিনগদৌরিবসি : *1*

(i) অমুক হন্না বৃটিশ লাক্তনবগীদমকনি ।

(ii) চিনানা লান্দোরক্তনবগীদমকনি ।

(iii) নীংতম্বা অসিবু ঙাক্লবগীদমকনি ।

(ঘ) 'মুর্ত্তি' হায়বসি করম্বনা চুন্না ফোংদোকই : *1*

(i) 'শক্তম' না ফোংদোকই ।

(ii) 'লাই' না ফোংদোকই ।

(iii) 'ফোটো' না ফোংদোকই ।

(ঙ) ভারতনা নীংতম্বা ফংলকখিবসি : *1*

(i) ইংশোক 1946 তনি ।

(ii) ইংশোক 1947 তনি ।

(iii) ইংশোক 1948 তনি ।

**4.** ডিসেম্বর তাং 12 নি । দরবার মেম্বরশিংনা হায়রকপগী মতুং ইন্না কৈথেল নুপী ময়াম খোমদুনা দরবার লোইশঙ তান্না চৎলে । অদুবু লাইবক থীবদি, দরবার মেম্বর অমত্তা লৈরমদ্রে, দরবারগী প্রসিডেন্ট ওইরিবা ছোটো সাহেব মতোমতংদি লৈরম্মী । মঙোন্দা হায়রুবা মতমদা মহাক্না হায়রক্লে – মহাক্তি মহারাজগী মখাদা দরবারগী প্রসিডেন্ট ওইজবতনি । চেঙ থাবগী পাস পীবা, চেঙ তক্লবা মিলগী লাইসেন্স পীবা পূন্নমক মহারাজনা তৌবনি, অদুনা মহাক্না ককপা ঙমদে । মহারাজসু হৌজিক নবদ্বীপতা লৈখ্রি । মহাক্না তৌবা ঙম্বা হায়ববু মহারাজদা টেলিগ্রাম তৌদুনা ময়ামগী ৱাফম খঙহনখিবা অসিতনি ।

(ক) কৈথেল নুপী ময়ামনা দরবার লোইশঙ তান্না চৎখিবসি : *1*

(i) ডিসেম্বর তাং 21 নি ।

(ii) ডিসেম্বর তাং 12 নি ।

(iii) নবেম্বর তাং 21 নি ।

(খ) দরবারগী প্রসিডেন্ট ওইরম্বা মীশক্তি : 1

(i) ছোটো সাহেবনি ।

(ii) মহারাজনি ।

(iii) মীয়াম্না থাগৎলকপা মীশকপুনি ।

(গ) দরবারগী প্রসিডেন্ট অসি : 1

(i) মহারাজগী মথক্তা লৈ ।

(ii) মহারাজগী মখাদা লৈ ।

(iii) মহারাজগা থাক চপ মান্নে ।

(ঘ) চেঙ থাবগী পাস পীবা : 1

(i) মহারাজনা তৌই ।

(ii) দরবারগী প্রসিডেন্টনা তৌই ।

(iii) দরবার মেম্বরশিংনা তৌই ।

(ঙ) মতমদুদা দরবারগী প্রসিডেন্টনা তৌবা ঙম্বদি : 1

(i) চেঙ থাবগী পাস ককপনি ।

(ii) চেঙ তকপা মিলগী লাইসেন্স ককপনি ।

(iii) মহারাজদা টেলিগ্রাম তৌদুনা ময়ামগী ৱাফম খঙহনবনি ।

## কাঙলুপ – খ

## (ইবা)

**5.** অমখক খল্লগা রচনা ইয়ু : 8

(ক) হকচাং ফবা লন্নি ।

(খ) অচৌবা মী অমগী পুন্সি-ৱারী ।

(গ) ঐনা মন্ত্রী ওইরল্লবদি ।

**6.** 'খোঙ চোৎলগা চিন চোৎলি' নৎত্রগা 'উ হৌদবা লমদা কেগেনা য়ূম্বী ওই' হায়বা পাউরৌ অসিগী অর্থ শন্দোক্লা তাকউ । 2

**7.** নহাক কৈশামথোংদা লৈবা বীরেন নি হায়না খল্লু । হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা লাইরিক তম্লিবা ছাত্রশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অমদি খুদোংথীবশিংগী মরমশিং অদু ময়েকশেংনা খঙহন্নবা মাদ্রাজদা লৈবা নহাক্কী মরূপ চাউবদা চিঠি অমা ইয়ু । 6

**8.** নহাক্না খ্ৱাইরম্বন্দ বাজার চৎপদা নুপী-কৈথেল মপাদা গাড়ী থেংগায়নবগী থৌদোক অমা থেংনরক্লে । মদুগী মরমদা অমসুং থৌদোক্তু থেংনরুবদা নঙোন্দা ফাওবা ৱাখল অদু নহাক্কী ডায়েরীদা ইশিল্লু । 4

## কাঙলুপ – গ

## (গ্রামার)

(য়েংগদবা : ৱাহেং 9 দগী 12 ফাওবসি গ্রামারগী শরুকনি । ৱাহংখুদিংমক্কী ক, খ, গ, ঘ, ঙ, হায়দুনা মঙা থোক্লা খায়দোক্লি । শরুকশিং অসিদা পীরিবা ওইথোকপা য়াবা পাউখুম অহুমদগী অচুম্বদু খল্লগা ইগদবনি ।

**9.** (ক) 'চৎলমই' হায়বা ৱাহৈ অসিদা সফিক্স মশীং : *1*

(i) অমা লৈ ।

(ii) অনী লৈ ।

(iii) অহুম লৈ ।

(খ) 'চাউবনা লাইরিক পাই অমসুং চিঠি ই' হায়বসি : *1*

(i) অচম্বা ৱাহৈপরেংনি ।

(ii) য়ান্নবা ৱাহৈপরেংনি ।

(iii) তিন্নবা ৱাহৈপরেংনি ।

(গ) রুটকী মমাঙদা তপ্পা ৱাতপ্পু : *1*

(i) ইনফিক্স কৌই ।

(ii) সফিক্স কৌই ।

(iii) প্রিফিক্স কৌই ।

(ঘ) ভাৱল মশক তাকপদা মওং : *1*

(i) অনী চঙই ।

(ii) অহুম চঙই ।

(iii) মরি চঙই ।

(ঙ) এলোমোর্ফতি : 1

(i) খ্বাইদগী পীকপা অর্থ লৈবা লোনগী শরুকপুনি ।

(ii) খ্বাইদগী পীকপা লোনগী শরুকপুনি ।

(iii) মোর্ফিম অমগী তোঙান-তোঙানবা মশকশিংনি ।

10. (ক) 'ইমাগীদমক' হায়বা ৱাহে অসিগী রুটতি : 1

(i) 'ই-' হায়বা অসিনি ।

(ii) 'মা-' হায়বা অসিনি ।

(iii) '-গীদমক' হায়বা অসিনি ।

(খ) 'মচাগী' হায়বা ৱাহে অসিদা : 1

(i) ভাৱল অমা য়াওই ।

(ii) ভাৱল অনী য়াওই ।

(iii) ভাৱল অহুম য়াওই ।

(গ) 'মখা' হায়বা ৱাহে অসিগী অরোইবদা : 1

(i) 'অ' ভাৱল লৈ ।

(ii) 'আ' ভাৱল লৈ ।

(iii) ভাৱল অমত্তা লৈতে ।

(ঘ) মণিপুরী লোন্দা কোন্সনন্ট ফোনিম : *1*

(i) 24 লৈ ।

(ii) 25 লৈ ।

(iii) 26 লৈ ।

(ঙ) 'য়' গী হায়দোকফমসি : *1*

(i) য়ারীদনি ।

(ii) ঙৌদনি ।

(iii) চীনবানদনি ।

**11.** (ক) লৈনা য়ারীদা খপ্পুনা হায়দোকপা খোন্থোক্তি : *1*

(i) 'ল' নি ।

(ii) 'ব' নি ।

(iii) 'প' নি ।

(খ) 'থ' খোন্থোক অসি : *1*

(i) খৌ নীকপা খোন্থোকনি ।

(ii) খৌ নীক্তবা খোন্থোকনি ।

(iii) খরসু নীকপা, খরসু নীক্তবা খোন্থোকনি ।

(গ) ঙৌগা য়ারীগদা হায়দোকফম ওইবা খোঙ্গোক্তি :

(i) ‘চ’ নি ।

(ii) ‘ল’ নি ।

(iii) ‘দ’ নি ।

(ঘ) ‘ফ’ হায়বসি :

(i) চীনবান অনীদা হায়দোকফম ওইবনি ।

(ii) য়া-য়ারীদা হায়দোকফম ওইবনি ।

(iii) য়ারীদা হায়দোকফম ওইবনি ।

(ঙ) য়া-য়ারীদা হায়দোকফম ওইবা খোঙ্গোক্তি : 1

(i) ‘ঝ’ নি ।

(ii) ‘জ’ নি ।

(iii) ‘খ’ নি ।

12. (ক) ‘এফিক্স’ হায়রগা : 1

(i) প্রিফিক্সতবু খঙনৈ ।

(ii) সফিক্সতবু খঙনৈ ।

(iii) অনীমক্কী অপূনববু খঙনৈ ।

(খ) চৎ, কৎ অসি : 1

(i) ফ্রি রুটনি ।

(ii) বাউন্ড রুটনি ।

(iii) ফ্রি রুট, বাউন্ড রুট অমত্তা নত্তে ।

(গ) খ্বাইদগী পীকপা অর্থ লৈবা লোনগী শরুকপু : 1

(i) 'এলোমোর্ফ' কৌই ।

(ii) 'মোর্ফিম' কৌই ।

(iii) 'রুট' কৌই ।

(ঘ) 'নঙনা নহাক্কা য়ান্না চান্নে হায়বা মী অদু পুরকউ' হায়বসি : 1

(i) তিন্নবা ৱাহৈপরেংনি ।

(ii) অচম্বা ৱাহৈপরেংনি ।

(iii) য়ান্নবা ৱাহৈপরেংনি ।

(ঙ) 'অপাম্বা' হায়বা ৱাহৈ অসিদা : 1

(i) সফিক্স অনী য়াওই ।

(ii) প্রিফিক্স অমা সফিক্স অমা য়াওই ।

(iii) সফিক্স অহুম য়াওই ।

## কাঙলুপ – ঘ
## (সাহিত্য)

(য়েংগদবা : ৱাহেং 13 অমসুং 14 দা পীরিবা ক, খ, গ গী ওইথোকপা য়াবা পাউখুম অহুমগী মনুংদা অচুম্বদু খল্লগা ইগদবনি ।

13. (ক) কুন্তীভোজ অসি কুন্তীগী : 1

(i) মপুরোইবনি ।

(ii) মবুংনি ।

(iii) মপা শকপা নিংথৌনি ।

(খ) ধৃতরাষ্ট্রদি :

(i) দুর্য্যোধনগী মপূবোকনি ।

(ii) দুর্য্যোধনগী মপানি ।

(iii) দুর্য্যোধনগী মনাওনিপানি ।

(গ) পাণ্ডুদি : 1

(i) কুন্তীগী মাম্মনি ।

(ii) কুন্তীগী মচানি ।

(iii) কুন্তীগী মপুরোইবনি ।

**14.** (ক) পরশুরামদি : 1

(i) কর্ণবু খূৎলাই তম্বীখিবা গুরুনি ।

(ii) নিংথৌনি ।

(iii) লাই নীংদুনা লৈবা মীশক অমনি ।

(খ) পাণ্ডব মচিন-মনাও মঙা বিরাত নিংথৌগী সভাদা : 1

(i) চহী 12গী মতুংদা মশক ফোঙদোকখি ।

(ii) চহী 13গী মতুংদা মশক ফোঙদোকখি ।

(iii) চহী 14গী মতুংদা মশক ফোঙদোকখি ।

(গ) বিদুরদি : 1

(i) কৌরবগী মায়কৈদা লৈখি ।

(ii) পাণ্ডবশিংগী মায়কৈদা লৈখি ।

(iii) কৌরব, পাণ্ডব অনীমক্কী মায়কৈদা লৈখিদে ।

**15.** কবি ইবোপিশক্কী মতুং ইন্না মীওইবনা শোক্লরিবা লাল করিনা মরু ওইবনো ? *2*

**16.** কবিনা চীং কাসি হায়দুনা হৌরিবসি কনাবুনো ? অখন্নবা মী খরবুরা নৎত্রগা মীয়াম পূন্নমকপুরা ? *2*

**17.** 'ইলিশা অমগী মহাও' হায়বা ৱারীমচাগী মিংথোল অসিদা তারিবা করেম্নবগী মমি অদু তাকউ । *2*

**18.** চাউবনা নাউরেম অহলবু করম্বা মিৎয়েংদা য়েংবগে ? *2*

**19.** চাউবনা মহাক্কী কুম লায়নানা ফমদা তাদুনা লৈরবী নুপী অদুদা শিজখ্রো হায়না চৈহৎখ্রিবা অসিগী মরম শন্দোক্লা তাকউ । *6*